মমাঙগী চহীশিংদা পাঙথোকখিবগুম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না শীন্দুনা লিলোং চজিং কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা মণিপুর প্লেয়র্স ডে-২০২১গী থৌরমদা শান্নরোয়শিংদা ত্রোফি পীখিবা



লামায় ৩

উত্তর প্রদেশ পুলিসনা অরানবা মরাল শীজিন্দুনা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী থৌমী অনী ফাজিন্দুনা ওৎ নৈখিবগী থৌওংবু ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সোরা কৈথেলদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবা পি এফ আই, মণিপুর ষ্টেটকী থৌমীশিং



লামায় ৪

মণিপুরগী মফম অতৈদা পাঙথোক্ল খিবগুম জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী চীংদোং লৈকায়দা লৈবা মৈরা ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা 'শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ, ২০২১'গী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং



লামায় ৪

নম্বোল এ সীগী মনুং চন্না নম্বোল মখা লৈকায়দা নৌনা শাখিবা প্রাইভেট হোস্পিটাল 'রুবি হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স সেন্টর' বু এ সী অসিগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেননা রিবোন কক্তুনা হাংদোল্লগা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবগী থৌরম




# শান্নরোয়শিংগী নুমিৎতা মীয়ামদা শান্নবুং শীন্নখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী চীংদোং লৈকায়দা লৈবা মৈরা ক্লবকী কেম্পসতা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎকী থৌরম মণিপুর ষ্টেটকী মফম কয়াদা পাঙথোকপগুম জিরিবামদসু ঙসি মৈরা ক্লব চীংদোং লৈকায়না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা বি জে পি জিরিবাম মন্দলগী প্রসিদেন্ট ও ব্রজমনি, মৈরা ক্লব চীংদোং লৈকায়গী প্রসিদেন্ট এ গোপিমোহোন শর্ম্মা, মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন কে সরতকুমার, এ জে য়ু সী এগী প্রসিদেন্ট এম মায়পাকসনা, দি ৱাই এ এস ওগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এম টিলোক, চীংদোং লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর কে মেমিলা, এ আই ওফ স্কুলগী কে কশিরাম, দব্লিয়ু এ এস ঈ দিগী প্রসিদেন্ট এন নিভারানি, জে আই এম দব্লিয়ু এ কেগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ জিনি, জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লুপকী প্রসিদেন্ট মেন্মা অমদি দব্লিয়ু দব্লিয়ু ও কেগী প্রসিদেন্ট ঐচ থোইবীনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা দাইজতা ফমখি। থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইরিবা ও ব্রজমনিনা মৈরা চুখৎতুনা থৌরম হৌদোকখি।

থৌরম অসিগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা কে সরতকুমারনা হায়খিবদা, শাগৎচরিবা, শেমজরিবা পুন্নমক ক্লব অসিগী খূত্থাংদা চীংদোং লৈকায়গী মীয়ামদা শীন্নজরি অমদি পুন্নমক্কী মফমদা খঙহঞ্জরি হায়খি।

মনিনা প্রধান ওইনা লৈরম্বা মতমদা লৈরিবা চীং অসি তেমথোকচরগা স্পোর্টসকী গ্রাউন্দ অমা থমগদবনি হায়দনা মঙলম্বা মঙ অদু মঙফাওনবা হায়বসি ঐহাক্কী আশা ওইখি। মরমদি ইনাওদুনা শক্তি লৈরিঙৈদা হোৎনবা য়াবা হোৎনরম্মী। অদুবু হোৎনরম্বা অদু ইনকমপ্লিট ওইনা লৈরম্বা তারগদি মানা হোৎনরম্বগী মহে লৈত্রে অমদি ময়ামদা কানবা ফংদ্রে অদুবু কমপ্লিট ওইরগা হোৎনরে হায়রগা মতেং পাংলগা ঙসিদি ফজখ্রবা গ্রাউন্দ অমা ওইনা ঐখোয়গী মীৎমাঙদা উরে হায়না ফোঙদোকখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা ও ব্রজমনিনা হায়খিবদা জিরিবামগী ফুটবোল শান্নবা হৌরকখিবসি নোবাবতগী হৌরকখি। ইরমদমদা লৈরিবা ইনি দভিজুএল পিপলনা পান্থা মশান্না অসি ফুটবোলনি, লৈরক খুদিংমক্তা শান্নবসু ফুটবোলনি, হোকিদি কয়া শান্নদে। মরম অসিনা ফুটবোলসি পামজরকই অদুনা নোবাবতগী ফুটবোলসি হৌরকপনি হায়জবনি। মরমদি ফুটবোল অসি লৈবা ঙমদবনা নোবাব খরা চাউবা হেক্লগা লৈবাক্তা পোপহল্লগা ফুটবোল ওইনা শান্নজরকই অদুবু ফাওবা ঙম্লক্তে, ইমা ইপানা শান্নবদা পুক্লিং থৌগৎপীরক্তবা ওই হায়খি। হৌজিক মমা মপা ওইবনা মচানা থৱায় য়াওনা শান্নরিবা অদুবু শান্নহনবীয়ু, পুক্লিং থৌগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

# পি এফ আইনা সোরাদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

সোরা, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশ পুলিসনা শেমজিন শাজিনবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী থৌমী অনী ফাজিল্লগা তমথীনা ওৎ নৈবগী থৌওংবু য়ানীংদে হায়দুনা ঙসি পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী থৌমী নুপা অমসুং নুপী পূন্না ৫০০ রোমনা সোলিদরিটি উত্তুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সোরা কৈথেলদা খোল্লাউকয়া লাউখ্রে।

খোঙজং অদুদা "যোগিগী হিংচা য়াইতম্বগী লৈঙাক তোকপীরো' (ষ্টোপ যোগি জঙ্গল রাজ), "আর এস এস-বি জে পি য়ানীংদে' (আর এস এস-বি জে পি মুর্দাবাদ), "বি জে পিগী লৈঙাক লৈবীরনু" (বি জে পি গভর্ণমেন্ট দাউন দাউন), "মীয়ামগী লৈঙাক কল্লু' (সেভ দেমোক্রেসি), "অনসাদ অমসুং ফিরোজগী অচুম্বা পুথোকউ" (জষ্টিস ফোর অনসাদ এন্দ ফিরোজ) হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাওখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা পি এফ আই, মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট মৌলানা অবদুল্লা হুস্যেননা হন্দক হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১১দা কেরলাদগী পি এফ আইগী মেম্বর অনী অনসাদ অমসুং ফিরোজবু উত্তর প্রদেশ পুলিসনা শেমজিন শাজিনবা মরাল কয়া পীশিল্লগা ফাজিনখিবা অদুবু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ৱাফমশিং থমখি। য়ু পিগী যোগিগী লৈঙাক অসিনা পি এফ আইগী থৌমী কয়া মরম চাদনা ফাবা পুনবগী থবকশিং হৌজ থেঙ্খাং কয়াদা লেপ্তুনা চথরিবা অসি তোক্কদবনি, অসিগুম্বা থৌওং কন্দেম তৌই, পি এফ আইগী থৌমীশিংদা অকি অখং পীরগা ফ্রন্ট অসিনা মায় লৈদুনা চেনগদবা নত্তে, হেন্নদুম মপাঙ্গল কনখৎলক্কনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট অবদুল্লানা মখা তানা হায়, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১১গী অয়ুক্কী পুং ৫.৪০ দা মখোয় অনী মুম্বাইদা চৎকদবা ত্রেন অমগীদমক কটিহার (দিনার) দগী ত্রেন তোংখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না নুমিদাংদদি মখোয়গা পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফেব্রুৱারী ১৪ অমসুং ১৫দা লোকল পুলিসশিংদা কমপ্লেন্ট তৌখি। পাউ অসি তাবদা ফেব্রুৱারী ১৫দা য়ু পি পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্সনা অথুবা মতমদা প্রেস কনফরেন্স কৌদুনা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা মখোয়বু টেরর এটেক তৌনবা লাকপনি হায়না পাউদমখি। ত্রেন অদুনা য়ু পি ফাওদুনা লাকপদা মীওইশিং অদুবু কিদনেপ তৌখিবনি। ফোর্স নৎত্রগা ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা চৎলিঙৈদা টেররিষ্টনি হায়না মীদিয়াশিংগী মমাঙদা শেমজিন-শাজিনবগী থবক, মীওৎ-মীনৈ মখা চথবা য়ানবা থৌওংনি। মসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্লে মদুদি যোগি অদত্যনাথকী মখাদা য়ু পিগী লৈঙাক জঙ্গল রাজ ওন্থোকপীরে, মসিমক ইন্দিয়াগী চৎন-পথাপ্প করেন্নবা অমদি লৈবাক অসিগী আইনবু তেমশিংনবনি হায়খি।

# এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেলরনা বিনেটকী বি ক্লব লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): বাইওদাইভর্সিটি ইকোলোজি এন্দ ইনভাইরোন্টমেন্ট নেটৱর্ক মণিপুর (বিনেট) মণিপুরগী ১৪শুবা ফাওন্দসন দেগী থৌরম ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা লৈবা কাঞ্চি পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর ইনচার্জ প্রো. এস সনাতোম্বি, ফোর্মর ভাইস চাঞ্চেলর ইমিনেন্ট এগজিওলোজিষ্ট এন্দ প্রসিদেন্ট বিনেট মণিপুর প্রো. দব্লিয়ু বিশ্বনাথ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার প্রো. দব্লিয়ু চান্দবাবু অমদি ফোর্মর দিন স্কুল ওফ মেঠমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্স এম য়ু এন্দ ৱর্কিং প্রসিদেন্ট বিনেট মণিপুরগী প্রো. এন রাজমোহোননা মথৎশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর ইন চার্জ সনাতোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্সকী ওজাশিং, কেমিষ্ট্রিগী ওজাশিং অমসুং বাইওকেমিষ্ট্রিগী ওজাশিংনা ইনভাইরোন্টমেন্টেলিষ্টকী প্রোগ্রাম অসি পায়খৎপীরগা য়ুনিভর্সিটি অসিদগী হৌরগা মণিপুর শিনবা থুংনা অসিগুম্বগী থৌরম অমা পাঙথোক্ল বগীদমক্তা লৌখৎলিবা থৌরম অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা থৌরম অসি মায়পাকপা ওইনবা মান্নবা ৱাখল্লোলদা থবক তৌমিন্নরিবা ওজাশিংগী পুক্লিং লৌশিংবুসু থৌগৎলি। মসিগী মতুংইন্নবা রিছর্স স্কোলারশিং, মহৈরোয়শিং ঙসি-ঙসিমক বিনেটকী নেটৱার্ক অমা হাংবিরগা মণিপুরদা লৈরিবা কোলেজশিং শন্দোরক্কদৌরিবা মণিপুরগী রেজিষ্ট্রারনা থম্বিখিবা কোলেজ ১০৯ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফলেট তৌরগা লৈরি হায়দুনা হায়রিবা কোলেজশিং অসিদা বিনেটকী ক্লব অসি শন্দোকপা ঙম্লবদি মখোয়না নীংজরিবা অমদি খঞ্জরিবা ওজাশিংগী মঙলান অসি শোয়দনা মায়পাকপগী লম্বীদা চঙশিনবা ঙমগনি হায়না থাজবা লৈ হায়খি।

ওজাশিংনা লমজিংবিরগা হৌরক্লিবা রিছর্স স্কোলারশিং অমদি নৌনা চঙলক্লিবা ওজাশিং সাইন্সকী দিপার্টমেন্টদা লৈরিবা ওজাশিং খক নত্তনা আর্টস, সোসল সাইন্স ওফ হ্যুমেননিটি দিপার্টমেন্টশিংনসু শরুক য়াবা য়াই। মহাক্না মখা তানা হায়খি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা টার্মশিং অদুগী নত্তনা ফিল্ডদা চৎলগা অদুদি স্কুল অনীসিদা লৈবা ওজাশিংনসু য়াম্না চাওনা থৌদাং লৌবা য়াই। মরুওইনা লম অমদা চৎলগা ওজাশিংনা তৌগদবা থবক থৌরমশিংদা স্কোলরশিংনা মতেং পাংহন্দুনা য়াম্না চাওনা মায়পাকপা ঙমগদ্রা হায়না খল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রো. এন রাজমোহোন, প্রো. দব্লিয়ু বিশ্বনাথ, প্রো. দব্লিয়ু চান্দবাবু, প্রো. এন মোহিলাল অমদি প্রো. দেবানন্দ নিংথৌজমসু থৌরম অদুগা মরি লৈননা ৱা ঙাঙখি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা বিনেট মণিপুরনা সী এম বিরেনদা হন্দক জুকো ভেল্লিদা লামৈ চাকপদা ফায়র ফাইটর ২০০ শীজিন্নখিবা অমদি অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনা থম্নবা ৱারোল য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীনা বিনেটকী বি ক্লব লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা হিয়াংলমগী পোল ষ্টার কোলেজদা খুৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা ইনভাইরোন্টমেন্টবু নুংশিবশিংনা বিনেটকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইবিদুনা ইন্সটিট্যুট খুদিংমক্তা বিনেট ক্লব হাংদোক্ল বা পান্দম থল্লি।

# নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরগী লন ওইনবা হোৎনহৌসি: দিঙ্গো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর মীয়াম কাংলুপ খুদিংমক্না ৱাখল চাওথোকমিন্নদুনা লমদম অসিদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা শাগদৌরিবা অসি মণিপুরগী লন ওইহৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়না সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী এম এল দিঙ্গোনা ঙসি এ সী অসিগী মনুংচন্না লৈবা শাইরে খুলদা নৌনা শাবা কম্যুনিটি হোল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এ সী অসিগী ইলেক্টেদ এম এল নৎত্রগা মিনিষ্টর অমা ওইবা তারগদি এ সী অদুগী খুঙ্গং খুদিংমক অচৌ-অপিক খাইদনা চাওখৎ লম্বীদা থোং মান্ননা পুরক্লবা চপ মান্নবা মীৎয়েং অমা য়েংবা চঙই। কৈদৌনুংদসু খুঙ্গং শেমগৎ-শাগৎপদা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগীদমক্তা থম্মোয় শেংনা পীরকপা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনি। মসি মণিপুরগী মীয়াম কাংলুপ খুদিংমক্না ৱাখল চাওথোক্লদুনা মণিপুরগী লন ওইহৌনবা হোৎনগদবনি। য়ুনিভর্সিটি অসিনা স্পোর্টসকী পাৱর হাউস ওইরবা মণিপুরগী শান্নরোই কয়া পুথোরকপদা নত্তনা মীওই কয়া অমসু থবক পীবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী ইশাগী ওইবা ৱাখল্লোলনা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী মরাইবক থিহন্ননবা শিল্লোইদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা এম এল এনা শাইরেন খুলদা ব্লেক টোপিং তৌরিবা লম্বী অদুসু ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরিবরা হায়বসু য়েংশিনখি। এম এল এনা লোইতাং লৈকিনথবি কম্যুনিটি হোল শানবসু উরেপ-উয়ুং তমখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ময়াংলাংজিং জিলা পরিষদকী মেম্বর কে সোহোদেব, লাইরেনকাবি কদাংবন গ্রাম পঞ্চয়াটকী উপ প্রধান কে মেমচা অমদি এক্স প্রধান ই প্রেমকুমারনচিংবসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা এম এল এ দিঙ্গোনা শেঞ্জম খুনৌ য়ুথ ক্লবকী ৪৯শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদসু চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# 'থা অসিগী মনুংদা হোষ্টেল হাংদোকপীয়ু'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অমা থোঙ লোল্লুরবা হাট্টা মুসলিম গর্ল হোষ্টেল থা অসিগী মনুংদা হাংদোকপীয়ু হায়না মণিপুর মুসলিম ৱিমেন ওর্গনাইজেসন ৱিমেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম শাংনা লাইরিক তম্বা ফংদনা লৈরকখ্রবা মতুংদা হৌখিবা জন্যুৱারী ২৭তগী স্কুল, কোলেজশিং এস ও পি ঙাক্না মহৈ তম্বা হৌনখিবা মরম্না অথাপ্পা মফমদগী লাক্তুনা হোষ্টেলদা লৈরগা ইম্ফাল এরিয়াগী মহৈ লোয়শঙশিংদা তম্লিবা মীতৈ পাঙল মহৈরোয়শিংগী অমত্তা ঙাইরবা হাট্টা মুসলিম গর্ল হোষ্টেল হাংবীদনবা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল রে। হোষ্টেল অসিদা লৈরম্বী কয়ানা লুপ অসিগী ওফিসতা লাক্তুনা মখোয়গী খুদোংচাদবা কয়া পাউদল্লম্বদগী লুপ অসিনা মতম খরা হোষ্টেল হাংবীদনবা ৱাক্ফ বোর্দ মণিপুরগী ওথোরিটিশিংদা হায়রুবদা সী ঈ ও লৈতে, মহাক্না ওর্দর থোক্লগা হোষ্টেল হাংগদবনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক্কী ওইন্নদি হোষ্টেল অসি রিপ্যেরিং তৌরিবনা মতম খরা থোঙ হাংনবগী খুদোংচাবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকপসি য়াম্না লাইৱক থিবনি।

চেরোল অসিনা হায়, হোষ্টেলগী ফিভম য়েংশিল্লুবদা মতম শাংনা শেমজিন শাজিনবীদবদগী ফিভম শোক্ন লৈরল্লবসু রিপ্যেরিংগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লবা মরম্না অথুবা মতমদা হোষ্টেল হাংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। মহৈরোয়শিংগী খনবীদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# মীওই ২৩১ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ লায়না-লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্না চৎন-কাংলোন কয়া লাউথোকখিবগী মায়োক্তা য়ূমদগী মাস্ক উপ্তুনা থোরকপা অমদি মীয়াম তিনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং পুলিসনা মখা তানা ফাগৎলগা দিটেন তৌবগী থবক চৎথরি।

ঙসিসু মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎথরকখিবা দ্রাইভতা লৈঙাক্কী চৎন-কাংলোন ঙাক্তবা মীওই ২৩১ রোম দিটেন তৌদুনা ফাগৎখি। মখোয়শিং অদু মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। লোয়ননা মখোয়দগী লুপা ৩০,৩০০ রোম ফাইন ওইনা খোমগৎখি।

# লীলারোই রাগিতকুমার লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শুমাং কুম্মৈগী লীলারোই শঙাই থম্বালখোং শাবল লৈকায়দা লৈবা তোইজম রাগিতকুমার (আর কে)না ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ষ্টেটকী থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পিঐচ গুনচন্দ্র, পদ্মশ্রি এৱার্দি ৱারেপ্পা নবনা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী ভাইস প্রসিদেন্ট জিতনকুমার নাউরেম, সেনিয়র আর্টিষ্ট লাইশ্রম তোম্বশু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শুমাং লীলা কাউন্সিলগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নাম নিলচন্দ্রনা হায়খিবদা শুমাং লীলাগীদমক কৎথোকপিরম্বশিংনা লৈখিদ্রবা মতমদা ষ্টেটকী থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎপা হায়বসি শুমাং লীলা কন্নবা ইহৌ শাগৎপা কাউন্সিল অসিগী কেলেন্দর থৌরম অমনি। লোয়ননা খুন্নাই অসি কন্নবা থৌদাংশিংগী মনুংদা লীলা কনবা ইহৌ অসিসু অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লেই হায়না ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা তোইজম রাগিতকুমার পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনদা মতম শাংনা য়াওরম্লবা মতুং মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনদসু য়াওরমখি। মহাক্না য়াওরম্বা লীলাশিংগী মনুংদা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'চিংনুংগী তম্ফা', পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী লীলা 'তম্ফায়াই'দা থম্বৌ শাবা হায়না খঙনখি। লোয়ননা ইঙেনগী নিনি পানবা, ইনম্মা, নাকোং অনী শুহনবিগনু, মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনদা খোংউ নঙগী বাশি হায়রিবা লীলা অসিনা অরোইবা ওইখি।

# 'পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা হোৎনমিন্নরসি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) খূৎয়েক পীনরিবা লুপশিংগী মরক্তা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন তেংনৌপল ব্রাঞ্চনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুপ অসিগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন টিঐচ হাওকিপনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, 'সু'দা লৈরিবা লুপকী মীওই খরনা ঙরাং মোরেগী জিওন ভেংদা নেমজাহোই হাওকিপকী য়ূমদা এটেক চথদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বগী থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানীংদে।

কে এন এ/কে এন ওগী কাদর খরনা 'সু' খূৎয়েক পীনদ্রিবা কাদর খরগা খূৎশম্নরগা ঙরাং অয়ুক পুং ১১.১৫ তাবদা নমজাহোই হাওকিপকী ময়ূমদা এটেক চথদুনা পোৎলম কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকহল্লমখি। থৌদোক অদুগী পাউ তাবদা অকোয়বগী মীওইশিং চঙলকখিবা মতমদা কাদরশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লল্লগা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিরম্মী। মোরে অমদি মসিগী অকোয়বদা হন্দক্তসু অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং থোক্লকপদা তূমীন্না য়েংদুনা লৈথোক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মীচম মীয়ামগী পুক্লিংদা ফাওরিবা অকিবা অমসুং মীপাইবা পুন্নমক কোকহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কে ৱাই সী ৱাইগী লুপা ফুন্দোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

য়াইরিপোক, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোক (কে ৱাই সী ৱাই) লিংখৎখিবা চহী ২৫ মপূং ফারকপগী লূপা ফুন্দোংবগী থৌরম ঙসি কেক্রু নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, কে ৱাই সী ৱাইগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সঞ্জয়না থৌরম মপু অমসুং এস দি পি ও য়াইরিপোক কৈশাম ধনঞ্জয়, কেক্রু আইদিএল প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সোরাইশম কহ্নাই, সেক্রেটরি লাইশ্রম সোমোরেন্দ্রো অমদি ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি লোইতাম রাজেননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ক্লবকী মায়কৈদগী এম এল এদা অচম্বা সোল, মমেন্টো খুদোল তম্বা অমদি ক্লব অদুগী ফাউন্দর মেম্বরশিংদা অচম্বা খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী কলচরেল প্রোগ্রাম উৎপনা মপূং ওইবা থৌরমশিং ওইখি। লৈকায়, লমদম অমা চাওখৎহনবদা ক্লব অমগী থৌদাং চাউই হায়বা ৱাফম শুগাইনা ঙসিগী অথোইবা মীথুং এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা মীয়ামদা থমখি।

IN THE FAMILY COURT : BISHNUPUR : BISHNUPUR DISTRICT, MANIPUR

MATRIMONIAL (DECLARATION) CASE NO. 5 OF 2020

Km. Leimapokpam Jolly Devi ...Plaintiff

-Versus -

Shri Leimapokpam Sachidananda Singh ...Defendant

**SUMMONS**

To

**All the interested Persons**

Whereas, the above named Plaintiff has filed a declaratory suit against the Defendant praying for declaring that the Plaintiff is the only unmarried daughter of (L) Leimapokpam Naba Singh and (L) Leimapokpam (O) R.K. Sanahanbi Devi under section 7 (1) (a) [Expln. (b)] of the Family Court's Act, 1984, all the interested persons are hereby summon to appear before this Court on 16/03/2021 at 10:30 a.m. either in person or by a Pleader duly instructed and able to answer all the material questions relating to the case, and file written statement, if any, for your defence.

Take notice that in default of your appearance on the above mentioned date, month, the case will be heard and determined in your absence according to law.

Sealed and signed by the order of this Court on this 25th day of February 2021.

SEAL

By :- Advocate

**Sheristadar**
Family Court, Bishnupur

HL-P/9067/26,27

DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

/ NOTICE

Imphal the 23rd February 2021

No.1/IEC/SCPS (SW)-2014: It is hereby informed to all Voluntary or Non-Governmental Organization housing the following 2(two) categories of children namely:-

(i) Children in Need of Care and Protection (CNCP)
(ii) Children in Conflict with Law ( CCL)

shall comply & get registered under Section 41(1)(2)&(3) of Juvenile Justice (Care and Protection of Children) Act,2015 regardless of whether they are receiving grants from the Central /State Government or not. The Child Care Institution (CCI) shall be granted provisional registration for a maximum period of 6(six) months & final registration for five years subject to fulfillment of minimum standard of guidelines as per the Act and shall renew in every five years as per the provision under Section 41 (6) of the Juvenile Justice (Care and Protection of Children ),Act 2015.

The renewal of registration will help in implementing minimum standards of care for the services provided and to ensure a systematic monitoring mechanism of the CCIs.[ **Note: The definition of CNCP & CCL shall be as defined in JJ Act,2015**]

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-B/6819/26,27,28

BOARD OF SECONDARY EDUCATION
MANIPUR

/ NOTIFICATION

Imphal, the 24th February, 2021

No.Ex/85/75/Pt/1891: It is hereby informed to all the concerned that the Board of Secondary Education, Manipur is going to update the existing list of Examiners/Evaluators of different subjects for the High School Leaving Certificate Examination 2021.

Therefore, all the concerned Heads of the Institutions under the Board are requested to submit the detailed particulars of Graduate teachers/Lectures who have at least 3 years continuous experience in the concerned subject and taught in class X in the prescribed format on or before 27/03/2021 without fail.

| Sl. No. | Name of Teacher | Subject | Educational qualification | Teaching Experience (in year) | Whether participate as examiner in previous HSLC Exam (if yes write Examiner No.) | Participation, trained in Evaluation techniques (if any, specify) | Phone No. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 6 | 7 | 8 |

Sd/- Dr. S. Mangijao Singh
Secretary

HL-P/9065/26

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR

/ NOTIFICATION

Imphal, the 25th February, 2021

No. 2/56/96-HSC/6952: It is, hereby, notified for information to all concerned Heads of the institution that the prepared examination forms for the ensuing Class XI and Higher Secondary Examinations, 2021 will be issued with effect from Friday, the 26th February, 2021 on payment of Rs. 150/- per form on all working days between 10.00 a.m. and 2.00 p.m.

And you are, therefore, requested to collect the said forms of your respective institutions from the office of the Council of Hr. Sec. Edn, Manipur. Detailed last dates for submission of duly filled in examination forms are given below:

**Higher Secondary Examination:**

| SL.NO. | PARTICULAR | LAST DATE OF SUBMISSION |
|---|---|---|
| 1 | Without fine | 20-03-2021 |
| 2 | With a fine of Rs. 500/- per candidate | 09-04-2021 |
| 3 | With a fine of Rs. 700/- per candidate | 19-04-2021 |

**Class XI Examination:**

| SL.NO. | PARTICULAR | LAST DATE OF SUBMISSION |
|---|---|---|
| 1 | Without fine | 18-03-2021 |
| 2 | With a fine of Rs. 500/- per candidate | 07-04-2021 |
| 3 | With a fine of Rs. 700/- per candidate | 16-04-2021 |

Further, the Registration Certificate for the year 2021 along with the statement for Registration, Enrolment Statement for Classes XI and XII for the academic session, 2020-2021 may be collected from the office of the undersigned by themselves or by their authorized person with effect from the 26th February, 2021.

Sd/- *Ch. Biren Singh*
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

HL-B/6822/26